# অহানবা পন্দুপ

# ৱাহৌদোক

# অহানবা পন্দুপ
# ৱাহৌদোক

থিসিস অসিগীদমক লৌখৎলিবা টোপিক **অশাংবম মীনকেতনগী খুৎই অমসুং খুৎফোঙদোকতা ফোক নেরেটিভগী মচলশিং** অসিবু পরিংনাইনা বৈজ্ঞানিক ওইবা মওংদা নৈনবদা খুদোংচানবগীদমক পন্দুপ তরুক থোক্লা খায়দোকই। পন্দুপশিং অসিদগী অহানবা পন্দুপ ৱাহৌদোক অসিদা মীনকেতনগী মরমদা শনদোকনা তাকনবগীদমক মরীলৈনবা তাংককশিং খায়দোকতুনা পীরি।

## ১.১. মীনকেতনগী মতমগী সমাজ

মীনকেতনগী মতমগী সমাজ হায়বসিদা চাওরাক্লা মণিপুরগী ইতিহাসতা কুনশুবা চহীচাগী মতমবু কোনশিন্দুনা নৈনবা য়াই। মতমসিগী মণিপুরী সমাজ অমসুং সংস্কৃতিনা মীনকেতন্দা করি শাফু অমদি ইথিল পীবগে হায়বসি পন্দুপসিদা নৈনৈ। মীনকেতনগী মতম অসিদা মণিপুরী সমাজদা অচৌবা অহোংবা অমা লাকখি। মতমসিদা অয়াম্বা মণিপুরীশিংনা বৈষ্ণব লাইনিংগী লমদা পূক্লিং লুপশিল্লি। মতম অসি মণিপুরদা ( ১৮৯১-১৯৪১) চুড়াচান্দ মহারাজনা পানবা মতমনি ।[১] তাংকক অসিদা মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিসনা হাক্তকতগী চৎলিবা বৈষ্ণব ধর্মদা অনৌবা ইনোৎ হাপচিল্লকখি ।

মণিপুরী অয়াম্বনা চৎনরবা ধর্মদি গৌড়ীয় বৈষ্ণবনি । অসিগুম্বা বৈষ্ণব ধর্মদা লুপতুনা

---

১. নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ অমসুং লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল সিংহ (সম্পাদক) চৈথারোল কুম্বাবা, ইম্ফাল ,২০০৫, লা ৫০২.

লৈরিবা সমাজ অসিদা কবি মীনকেতনসু খোঙদারকখিবনি। মহাক্কী মতমগী সমাজদা লাইরিক হৈরবা মণিপুরী খুদিংমক বাংলা লোন ফজনা খঙঙি। বাংলালোন অসি খঙবনা মরম ওইদুনা বৈষ্ণব সাহিত্যদা পুকনিং চংশিল্লি অদুগা বৈষ্ণব সাহিত্যবু পুক্লিংচঙনা পাবা অমদি নৈনবগী হৈনবীসু লৈরকখি। মণিপুরী সমাজদা মীওই খুদিংমক বৈষ্ণব ধর্ম চৎপতা নত্তনা পুং ইশৈ জগোয়গী কলাদা থৱায় য়াওনা তন্নরকপগী মশক উবা ফংই। মতম অসিদা রামায়ন মহাভারত কাব্যবু লীবা, লাইরিক থীবা, নর্টসঙ্কীর্ত্তনগী শৈশক অসিদা অনৌবা ইনোৎ কয়া হাপকৎতুনা শকনবগী চৎনবী অসিসু মতমগী মণিপুরী সমাজগী য়াওল অমনি। অসুন্না মণিপুরী হিন্দু খুদিংমক বৈষ্ণব সাহিত্যগী মঙাল ফজনা ফংই। মীনকেতনসু অদুমঙাই, অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা বৈষ্ণব সাহিত্যগী মঙাল ফজনা ফংই। মতুংদা মণিপুরদা নোংচুপকী ওইবা অনৌবা ৰাখল মীৎয়েংগী প্রভাব অমা চঙশিল্লকখি। মতম অসিদা নোংচুপকী অনৌবা শিক্ষাগী পথাপ চৎনদুনা হান্না লৈজরম্বা লমদমসিগী ওইবা ৰাখললোন, পুন্সিমরেল, অমদি সংস্কৃতিগী ওইবা মশক্কী নুং অমসুং পানগীদা অওনবা কয়া লাকখি। অসিগুম্বা অহোংবা অসি লাকপা অসিদা অফবা ফওবা, য়াবা য়াদবা হায়বগী কন্না মুক্নবা অমা থোরকখি। অসিগুম্বা চরাংনবা মতম অসিদা ধর্মগী ওইবা অমাং অশেং অমরোমদা মীতৈগী লাইনিং লাইশোনবু নৌহৌননা হিংগৎহন্দুনা চৎনহনবা পামবা কাঙলুপ অমা থোরকপ। অসিনা মণিপুরী খুন্নাইদা তং তাদবা ফিভম অমসু ওইহল্লি। মতম অসি সমাজদা বাংলা অমসুং ইংরাজী শিক্ষাগী মমি অনীমক পুন্না তারবসু মতম অসিদা লৈরিবা মীওই খুদিংমকনা অয়াম্বা মতমদা বৈষ্ণবগী ওইবা চৎনবী চন্দন থিনবা, উরিকসিবা, লুগুন থাংবনচিংবা চৎনবগী মশকসু উবা ফংই। মহারাজ চুরাচান্দনা পানবা মতমসিদা শাসনগী লমদা অচৌবা য়াওল অমা লাকখিবা, লাল্লুপ কাবগী পাথাপ মুৎথৎখিবা, অহল লমনশিংনা মচা মশুবু নোংচুপরোমগী মহৈ মশিং তমহনবগী ৰাখল কয়া চংখিদবা তমহল্লুরগা শা চারক্কনি, য়ু থকলক্কনি হায়বগী চিংনবনা মচা মশুশিংবু অয়াম্বনা থানিংখিদবা,

অমরোমদা তম্নবা স্কুল কয়া মরাং কায়না লৈখিদবা, পুং ঈশৈ, বৈষ্ণব লাইনিংগা মরীলৈনবা গ্রন্থনচিংবা তম্বদা হেন্না পুকনিংচঙখিবগী মশকসু উবা ফংই। অসিগুম্বা মহৈ মশিং তম্বদা পুকনিং চঙদবা নহারোল কয়ানা খুনুতানবা ,চৌবর শান্নবা, শগোল তান্নবনচিংবা শেল থানবি মশান্নশিং অসিদা থৱায় য়াওবা লমহেনবা মীওইশিংগী মশিং য়াম্লকখি। মতম অসিগী সমাজদা গৌড়ীয় বৈষ্ণব সমাজকী অমাঙ অশেংগী অকনবা নিয়ম অমসুং সাহেব অমদি বেঙ্গলীশিংনা অচৌবা ফম পায়রগা মণিপুরীশিংনা মখা থানা লৈবা, ধর্মগী ৰাখল চেনবা মনিপুরীশিংনা পুক্লিং ফাথবা ঙম্বগী মশকসু উবা ফংই। মতম অসিদা মীতৈ মচাশিংনা বৃন্দাবন, নবদ্বীপনচিংবা চৎতুনা লাইনিংবগী চৎনবী লৈরম্বা অদুগা মণিপুরদা ঘড়ীশিবা হৌনরকখিবা, বায়স্কোপ, সিনেমানচিংবা মশক খঙবা হৌখিবসিসু হায়রিবা মতম অসিদগী হৌরে হায়না মহাক্কী "পুন্সিগী শক্তম"দা ঐখোয়না উবা ফংই ।[২] শন্না হায়রবদা মতম অদুগী সমাজদা বৈষ্ণব মোর্য়েলিটিগী মীৎয়েং, লমদম অসিগী বৃটিশনা পিরকপা মীৎয়েং, নোংচুপকী শিক্ষাদগী লাকপা অনৌবা মীৎয়েং হায়রিবা ইরোং অহুম অসিগী শাফু পুন্নমক তিনখি। সমাজগী অসিগুম্বা ফিভম অসিনা মীনকেতনগী ঙল্লিঙৈগী পুন্সিদা চৈথেং খরা ফংহনখ্রবসু মহাক্কী পুন্সিগী অনীশুবা তাংকক অসিৱাইদদি য়াম্না মোংহাদবা ইংতপ্পা শকলোন অমগা লোয়ননা মহাকপু মীয়াম্না শক খঙনরকই। মীনকেতনগী নহা ওইরিঙৈগী মতমগী সমাজ হায়বদি ২০ শুবা চহী চা হৌগৎলকপা মতম অসিদা মণিপুরী মচাশিংনা মমা লৈবাকপু নুংশিজবা, বৃটিশকী মখুৎক্তী নিংতম্বা পামবগী অচৌবা ইহৌ অমসুং নোংচুপকী শিক্ষা পাথপকী মতুংইন্না মহৈ মশিং তম্লুরুবা নহারোল কয়ানা অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী লৈকোল অমা শেমগৎনবা কন্না হোৎনরকখি। মতম অসি মণিপুরী সাহিত্যগী রিনাসন্সগী মতমনি।

---

২. অশাংবম মীনকেতন সিংহ, পুন্সিগী শক্তম ,লারোন অনী , ইম্ফাল,১৯৮৩

মণিপুরদা রিনাসন্স লাকখিবগী মতাংদা অসি লাইরিক অমদা অসুন্না ইরি-

> খৃ. কু. ১৮৯১ ,এপ্রিল ২৭ দা বৃটিশনা মণিপুর লৌশিল্লবা মতুংদা ২০ শুবা শতাব্দী হৌগৎলকপদা মণিপুরদা রিনেসান্স লাকখি।[৩]

মতম অসিদগী মণিপুরী মচাশিংনা সাহিত্যগী তোঙান তোঙানবা বিধাশিংদা লমদমসিগী অপাম্বা অমসুং তঙাইফদবা অদুগী মতুং ইন্না শৈরেং, ৱারেং ইদুনা লাইরিক ওইনা অমসুং চেফোঙ কয়াসু ফোঙদোক্লরকখি। মওংসিনা লমদম অসিগী সাহিত্যবু চাউখৎহনবা হোৎনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবা মীওইশিংগী মরক্তা অশাংবম মীনকেতনসু অমনি। শন্না হায়রবদা মীনকেতন মতম অসিদা মণিপুরী সাহিত্যগী অনৌব যুগকী ইশৈ শকখিবা শৈরাংবা ওইবতা নত্তনা অরিবা পোৎশক পোৎলমশিংবু থিজিন হুমজিন্দুনা অনৌবা মওংদা শেমশাদুনা ইরকখিবা মীশক অমসুনি।

## ১.২. মীনকেতনগী পুন্সিগী শক্তম -

### ১.২.১. মীনকেতনগী পোকপা, শিবা, মপা মমাগী মমিং, মচিনমনাও, মহৈ মশিং তম্বা

অশাংবম মীনকেতন সিংহ ৱাংখৈ অশাংবম লৈকাইদা খৃঃ কুম ১৯০৬ মে থাগী তাং ২ দা বৈশাখ (শজিবু)গী ৭ নি পানবা য়ুমশকৈশেনগী অয়ুক অঙনবা মতমদা গৌড়ীয় বৈষ্ণবকী

---

৩. স্বর্গীয় হাওবম গৌরদাস সিংহ (সম্পাদক), মণিপুরী সাহিত্যগী মমল লেপ্পা, নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি , ইম্ফাল , ২০০০, লাঃ ৯০

ইমুং অমদা অশেঙবা ক্ষেত্রি অমা ওইনা পোকখি। [৪] মহাক ১৯৯৫ গী মার্চ তাং (৭) লৈবাক পোকপা নুমিৎকী নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা তাইবংপান থাদোকখি। মহাক্কী অপোকপগী মমীং অশাংবম জীবন সিংহ, অপোকপীগী মমীংনা অশাংবম মেধাবতী দেবী কৌই। কবি মীনকেতনগী মচিন মনাউ মরি (৪) নি। মচিন মনাউ ৪গী মনুংদা মহাক মমা অহন মেধাবতীনা মথন্তা পোকপনি। মমা অতোপ্পী চমকীস্নানা নুপা অনী মোহেন্দ্র, ইবোতোম্বী অমসুং নুপীনা বিনোদিনী মথন্তা পোকখি। মীনকেতননা পোকপা নুমিৎ ১২নি শুবা নুমিৎতগী মমাগা লোয়ননা ৱাংখৈদগী য়াইস্কুলদা হোংলকখি অমসুং মোইরাংখোম সৌগাইজম লৈরক ইম্ফালদা লৈবা মহারাজ মধুচন্দ্রগী মশুনুপা মাইবম ইবুংঙোতোন সিংহ অমদি মহারাজ নরসিংহগী মশুনুপী নিংথেম চনু সনাজাওবী দেবী অনীনা য়োক্লক্তুনা চাওরকখি। মীনকেতনগী পুন্সিগী অঙাং ওইরিঙৈগী মতমদা থেংনরকখিবা অৱা অনাগী মরমদা মীনকেতনবু থিজিনবা পণ্ডিতশিংনা অসুন্না পল্লি - মীনকেতনগী মপাবুং জীবননা মামান্নবা ওইনাম তোম্বী কৌবী অমগী ঠিকাদা জামিন য়ারুবদগী ঠিকা মুত্তুনা দুকান্দার অদুনা জামিন্দার ওইরিবা মপাগী যুমদা এজেন্সি কোটনা ক্রোক চণ্ডুনা লৈজবা সম্পত্তি পুন্নমক লোয়না মৎখিদুনা পুন্নমক পুমৎ মুৎখি। মরাইবক থিরবা, পুন্সিনা তাথিবিরবা মপানা ইম্ফালদা অমুক খোঙদাররোই খন, চীংগী লম কাংপোকপিগী পি. ডব্লিউ. ডি. ডিস্পেন্সরীদা থবক মচা অমা তৌদুনা পুন্সি লেনখি। ইমুং মনুং কায়নদুনা অতোপ্পা নুপী অমা লৌদুনা লৈখি।[৫] অসিগুম্বা অঙাং ওইরিঙৈগী হৌখ্রবা পুন্সিগী মতাংদা মীনকেতন মশানা অসুন্না হায়জৈ -

---

৪. ডাঃ নোংমাইথেম তোম্বী সিংহ (খঙ্গৎপা অমসুং লেংশিনবা) মীনকেতনগী খঙ্গৎলবা ৱারেং, ইম্ফাল, ২০০৭, লা. ২৩১.

৫. ডাঃ পলেম নবচন্দ্র (সম্পাদক) মীনকেতন নৈনবা ৱারেং, ইম্ফাল,১৯৯৭. লা : ৭০-৭১

য়াইফনা পোকই ইপানা হিংই পিদোন্না, পিদোন্না পোকই ঐনা, হিংই য়াইফনা।[৬]

মীনকেতননা মশাগী চহী মঙা শুরকপা মতমদা ময়ুমদা মধৌনা অফবা নুমিৎ অমা য়েংদুনা পুজা তৌদুনা লাইরিক তম্বা হৌখি। মহাক্না লাইরিক তম্বা হৌখিবগী মতাংদা মীনকেতন মশানা অসুন্না ইরি-

> ইধৌনা ঐগী ইহান হানবা শিক্ষাগুরুনি, অফবা নুমিৎ অমা য়েং,হৌনবী পুজা তৌ লৈয়েংদা মহাসরস্বতীবীজ 'ঐং' ইদুনা হৌই।[৭]

মতৌ অসুন্না মহাক্না অহানবা লাইরিক তম্বা অসি ময়ুমদগীনি। মীনকেতননা পুষ্কক চাউরক্লবদা পেত্রিগ্রু পাঠশালাদা লাইরিক তম্বা হৌরে। মসিদগী প্রাইমারী পরীক্ষাদা প্রথম শ্রেণী ( ফোষ্ট দিভিসন ) দা পাস তৌখি। মসিগী মথংদা মীনকেতননা মোইরাংথেম উচ্চ প্রাইমারী স্কুলদা কাখি। মসিদসু মকোকথোংনা পাস তৌখি। উচ্চ প্রাইমারী লোইরগা মথংদা জোনষ্টোন স্কুলদা তমখি। জোনষ্টোন স্কুলদা তম্বদসু মহাক বৃত্তি ফংখি। মবেননা লৈখিদবা চহীদু নত্তনা মেত্রিক ফাওবা হায়রিবা ছাত্র বৃত্তি অসি ফংদুনা লাকখি। অদুগা মীনকেতননা লাইরিক তমখিবা মতমদা ক্লাস সিক্স (৬) ফাওবদি মণিপুরী মিদিয়ামনি । মহাক্না পোক্কদবা চহী মরি ৱাংলিঙৈগী হায়বদি খৃষ্টাব্দ ১৯০২ দগী পাঠশালাদা মণিপুরী তম্বা হৌরে। ১৯০২ গী মমাংদদি লাইরিক তম্বসু পরীক্ষাগী মাধ্যমসু বাংলা ওইরম্মী। মীনকেতননা মেট্রিক থাবা মতমদদি মণিপুরী অসি কলিকাতা বিশ্ববিদ্যালয়না মেট্রিকতা

---

৬. অশাংবম মীনকেতন সিংহ, পুন্সিগী শক্তম, অহানবা লারোন ,ইম্ফাল ,১৯৮০ লা: ৫৪

৭. অশাংবম মীনকেতন সিংহ, ওব. সিট ,লা: ৫৪

থাবগী অয়াবা পীরে। মেট্রিক পরীক্ষাদা মহাক্না মকোক ওইবদগী ছাত্রবৃত্তি ওইনা থাদা লুপা ২৫ ফংই ।মতুংদা মহাক ইং ১৯৩০ দা কলিকাতা ইউনির্ভরসিটিগী মখাদা লৈবা মুরারিচান্দ কলেজদগী আর্টস গ্রেজুয়েত লোয়খি।মতৌ অসুন্না মীনকেতন মহে মশিং তম্বগী মতাংদা ময়াই ওইরপ ফবা ছাত্র ওইনা হৌরকখি।মহাক মণিপুরী, বাংলা, হিন্দি, সংস্কৃত অমসুং, ইংলিশ নিংথিনা খঙই ।মীনকেতননা বাংলা ফজনা খঙলিবসিগী মরু ওইবা মরম অমদি সিলট্টতা বি.এ ফাওবা তম্বননি।

## ১.২.২. মীনকেতনগী শিনফম অমসুং মাগী অতৈ থবক থৌরমশিং

অশাংবম মীনকেতননা কলেজ তম্বা লোইরবা মতুংদা মহাক্না খৃ: কুম ১৯৩০ অদুৱাইদা ইহান হানবা ওইনা চুরাচান্দ হাইস্কুলদা এসিসটেন্ট হেড মাস্টর ওইনা থবক চঙখি।মসিগী মথংদা নরসিংহ হাইস্কুলদা এসিসটেন্ট হেডমাস্টর ওইনা অমুক থবক তৌখি।মতৌ অসুন্না তোম্বী সনা, রামলাল পাল হাইস্কুলনচিংবা স্কুল কয়াদা চুন্না ইচম চম্বা ওজা অমদগীনা হেডমাস্টর ফাওবগী থাক্তা থবক তৌখি।মসিগী মতাংদা মহাক্কী পুন্সিগী শক্তম লারোল অমদা ইরি -

> চহী নিফুগা মাথোইনি ঐনা ওজা ওইবা।হাইস্কুল তরুক পোলিটেক্নিক হাইস্কুল অমা কলেজ অনী, ইউনিভাসিটি সেন্টর অমাপোষ্ট গ্রেজুয়েট ষ্টডিজ অমা শিক্ষাগী কেন্দ্র তরাদনি।[৮]

অসুন্না মহাক্না স্কুলগী থাকতগী ইউনিভারসিটিগী থাক ফাওবা ওজা অমা ওইনা পুন্সি লেনখি।মীনকেতননা পোলিটেক্নিক স্কুলদা তলব লুপা ১৫০ দা ওজা ওইরম্মী।খৃ: কুম

৮. অশাংবম মীনকেতন সিংহ ,ওব.সিট , লা: ২

১৯৩১ দগী ৩২ ফাওবা মণিপুর সরকারগী এক্কাউন্টেন্ট অন্দর ট্রেনিং, খৃঃ কুম ১৯৩২ দগী ৩৩ ফাওবা মণিপুর সরকারগী লৌরুংশঙদা সব-ডিপুটি কলেকটর অন্দর ট্রেনিং, সবডিপুটি কলেকটর টু হেন্না খঙনবনা লেন্দ সেটলমেন্ট ওফিসার ওইখি। খৃঃ কুমজা ১৯৩৬ কী জানুয়ারী ৩১ দা মহাক্না প্রেসিদেন্ট মণিপুর ষ্টেট দরবারদা মোত খেন্নরকপদগী রিজাইন তৌখি। মতুংদা মীনকেতননা ১৯৫৫দা ডি.এম কলেজদা মণিপুরী ডিপার্টমেন্টকী হেড ওইনা পোষ্ট গ্রেজুয়েট বি টি ক্লাসতা মণিপুরী তম্বীরম্মী। অমদি খৃঃ কুমজা ১৯৬৭ কী ওক্তোবর তাং ১৭ দা সেনিয়র লেকচর অমা ওইনা হেড ওফ ডিপার্টমেন্ট মণিপুরীদগী পোথাখি। খৃঃ কুমজা ১৯৩০-৩১ দা মহাক্না মণিপুর ইনষ্টিট্যুসন ইম্ফাল হৌজিক্না চুড়াচান্দ হয়ার সেকেন্দরী স্কুলগী এসিস্টেন্ট হেড মাস্টার ওইরম্বতা নওনা নরসিংহ হায়স্কুল, অমদি রাম লাল পাল হায়স্কুলদসু এসিসটেন্ট হেড মাস্টার ওইরম্মী। খৃঃ কুমজা ১৯৪৫ দগী ১৯৪৭ ফাওবা মীনকেতননা কাঞ্চিপুর পোলিটেক্নিক হায়স্কুল হৌজিক্না কাঞ্চিপুর হায়স্কুল ইম্ফালদা প্রিন্সিপাল অমদি হেড মাস্টার ওইরম্মী। মীনকেতননা অসুন্না চহী কয়া ওজা ওইদুনা মরৈবাক মজাতিগী দমক্তা, স্কুল, কলেজ, কয়াদা ওজা ওইবিরমদুনা অৱাৎ অপা কয়া মেনখৎপিরম্মী। কবি অশাংবম মীনকেতননা খৃঃ কুমজা ১৯৪৭ দা মণিপুরী ষ্টেট কেনষ্টিটিউসন মেকিং কম্মিটি হৌজিক্না মণিপুরী ষ্টেট কনষ্টিটুয়েন্ট এসেমব্লিদা মহারাজকী নোমিনি মেম্বর অমদি ইউনিয়ন এডুকেসন মিনিষ্টিরগী নোমিনি মেম্বর ওইনা থবক তৌখি। অদুগা অমুক খৃঃ কুমজা ১৯৭০ দা ইউনিয়ন পাব্লিক সার্ভিস কম্মিসন নিউদিল্লী (ইউ পি এস সি) গী এডভাইজারসু ওইখি। মীনকেতন মণিপুর সরকারী টেক্সবুক ষ্টেন্দিং কম্মিটি, স্পেলিং কম্মিটি, গেজেট্যিয়র কম্মিটি, ষ্টেট এমব্লেম কম্মিটি, ষ্টেট টার্মিনোলোজি কম্মিটি, খোংজম দে সেলিব্রেসন কমিটিনচিংবগী মেম্বর ওইরম্মী। মহাক্না অমুক সাহিত্য একাদেমী নিউদিল্লীগী লোকেল এডভাইজারি বোর্দ, ওল ইন্দিয়া রেডিও (এ. আই. আর) ইম্ফালগী

প্রোগ্রাম এডভাইজারি কম্মিটি অমদি কেন্দিদেট সেলেক্সন কম্মিটিনচিংবগী মেম্বরশিং ওইরম্বাখক্তা নওনা এ আই আর ইম্ফালগী সোং সেলেকসন কমিসটিগী এডভাইজারসু ওইরম্মী। মহাক অসি মণিপুরী সাহিত্য অমদি লোনবু নুংশিজবা মীশক অমা ওইনা মণিপুরী সংস্কৃত পরিষদনা ফোঙবা সাহিত্যগী চেফোঙ জোতিগী এডিটর খৃ: কুমজা ১৯৬১ দগী ১৯৭৯ ফাওবা ওইরম্মী। বোর্ড সেকেন্দরীগী এডুকেসন আসাম অমদি বোর্ড ওফ সেকেন্দর এডুকেসন মনিপুরগী সেকেন্দরী মহৈরোইশিংনা তন্নবা মণিপুরী শৈরেংশিংগী খোমজিনবা শৈরেং অখনবা (১৯৬৭) লাইরিক্কী কম্পাইলরশু ওইরম্মী। শ্রী অশাংবম মীনকেতননা খৃ: কুমজা ১৯৭১ দগী ১৯৮০ ফাওবা সিটি নাইট কলেজ হৌজিক্লা গর্ভরমেন্ট নোংমৈকাপম গোপাল কলেজ (এন জি কলেজ) লমফেনপাৎকী হৌদোরকপদা যাওবা অমা ওইনা প্রিন্সপাল গভনিং বোডিগী চেয়ারমেন ওইরকখি। মহাক্না ভারতকী তোঙান তোঙানবা মফমশিং চৎলুরবা মরম্না মসিগী কলা সংস্কৃতিবু পুক্নিংদা লুনা চেৎনা লৌজরম্মী। মরম অদুনা মজাতিগী মীশিংবু লমচৎ ফজনা অমদি ইংনা লৈহন্নবগীদমক মমিং লৈরবা এসোসিয়েসন ডি ৱার্ল্ড ইউনিয়ন অমদি ডি অরবিন্দো সোসাইটিগী অচঙবা মেম্বরসু ওইরম্মী।

### ১.২.৩. মীনকেতনগী লাইনিং অমসুং পুন্সিমরেল -

মীনকেতননা পোকপা মতম অসি মণিপুরদদী বৈষ্ণব ধর্মগী ওইবা চৎনবীদা লুপখিবা অমসুং ধর্মবু য়াম্না লুনা চেকশিন্না চৎপা, লৌনবা মতমনি হায়বসি মমাংদসু পনজখ্রে। অদুম ওইনমক মতম অসিদা মীতৈ লাইনিংবু হিংগৎহন্নিংবা মীওই খরসু অদুম থোরকখি। অসিগুম্বা ধর্মগী, লৈঙাকলোনগী অমদি অনৌবা শিক্ষাগী ইহৌদা ইরাং লাকলিঙৈ তাঙ্গা অসিদা পোকলকখিবা মীনকেতননি। মহাক্কী মধৌ অসি পুং ঈশৈ লাইরিক লাইশু য়াম্না পাগনবা অমসুং কুপ্না

নৈনবা মীওইনি। ঈশৈ চুন্না শকপতা নওনা ওজাগী থাক ফউবা য়ৌরম্মী। লাইনিংগী লাইরিকশিংদা - বাংলা, সংস্কৃত অমদি ব্যাকরনদসু সারস্বত ব্যাকরন হৈবা মীত্তই অমনি । অদুগা মধৌনা মশামক্কী ময়ুমদা অযুক্তা সংস্কৃত নুংথিলদনা শৈফমদা ঈশৈ তম্বিরম্মী। অতৈ মতমদনা লাইরিক লাইশুসু তম্বী। মীনকেতনসু মধৌগা লৈখিবা মরমনা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা য়াম্না সংস্কার য়াওবা মীশক অমা ওইরকখি। মহাক অসি গৌরধর্মতা নওনা মীতৈগী সনামহী লৈমরেনসু পুন্না নিংজবা মীশক অমা ওইরম্মী। মীনকেতননা বৈষ্ণব ধর্মদা য়াম্না থৱায় লুপখিবতা নওনা বৈষ্ণবগী ওইবা চৎনবীসু , হৌনা লমচৎসু কায়দনা চৎলি। মীনকেতনদা অমুকসু শাক্তশিংগী প্রভাবসু য়াম্না তাখি। অদুবু শক্তিশিংনা পাম্মিবা অদু খম থেংনা চঙশিনবদি তৌদে। শাক্তশিংনা উজনীংলিবদি বাংলাদা হায়রগা শিবের বুকে শ্যামা ( শিবগী -থবাক্ত শ্যামা) শিবনা লোংনা হিপ্লগা মহাক্কী থবাক্তা শ্যামানা লেপ্পা অদুবুনি। গৌড়ীয় বৈষ্ণবশিংনা রাধা কৃষ্ণ যুগল মুর্ত্তি উজনিংবা অদুগুম্বনি। অদুবু মীনকেতনদি শক্তিবু শ্যামা কালিনচিংবা কৌদে। জগৎ পোকপী ইমা হায়না কৌই। মহাক্না মমাবু পেলহন্নীংইবসি শুপ্নগী মমাবু পেলহনবা ঙাক্তদি নত্তে। মহাক্না হায় ইমানা পেল্লবদি ইপাসু পেল্লি। মপাবু পেলহন্নীংবসু মীনকেতনদা লৈরি। মহাক অসি গৌড়ীয় বৈষ্ণব ধর্ম অমদি মীতৈ লাইনিং অনীমক্তা চেৎনা থাজে হায়বা য়াই। অদুবু বৈষ্ণব ধর্ম য়ৌরকত্রিঙৈগী মীতৈ লাইনিং হায়রিবসিদি বেদদা যুম্ফম ওইবনি। ঋগবেদ অমদি যজুবেদ নৈনরগা মীতৈ লাইনিং হায়নরিবসি ময়েকশেংনা খঙবা হেঙ্গৎকনি। মীনকেতননা বৈষ্ণবকী ওইবা সমাজদা পোল্লুকপা চাউরকপ অমদি বৈষ্ণব সাহিত্য পারুবা মরমনা মহাক্কী থম্মোয়দা মুৎপা নাইদনা দেশ সেবা তৌবা হায়বসিসু কর্মযোগীনি, ঈশ্বরবু সেবা তৌবনি হায়না ফাওখি। মীনকেতননা মহাক মশাগী অপাম্বা অমসুং অনীংবা অসি মীওইবা কাঙলুপতা নওনা মালেমদা লৈরিবা থৱায় পানবা জীবশিং অসিবু নুংশিনা য়েংবা অমসুং মান্ননা খনবনি। পুমনমক অসি ঈশ্বর মহাক্কী থৌজান্দা

হিংবনি। মরম অসিনা পুন্নমক নুংশি চান্ননা অমত্তা ওইবগী ৱাখলদা হিংমিন্নগদবনি নৎএগা হিংলিবনি হায়না খনবা মীশক অমনি। মরম অসিনা মীনকেতন" সর্বধর্ম্মস্য সর্বমঙ্গলম" ধর্ম পুন্নমক নুঙাই য়াইফনা লৈগদবনি অমসুং মান্ননা হিংমিন্নগদবনি হায়বা পাউজেল অসি পুদুনা চৎপা দার্শনিক অমসুনি হায়না লৌবসু য়াই।

### ১.২.৪. মীনকেতনগী নোংমগী পুন্সিদা পাঙথোকপা থৌরম -

মীনকেতনগী নোংমগী পুন্সিদা পাঙথোকপা থৌরমগী মতাংদা মহাক্না শন্নজহৌবা অখঙ অহৈশিংনা অসুন্না ফোঙদোকলি - অশাংবম মীনকেতন অয়ুক মিকপ থোক্লগা ফমুংদগী হৌগৎপদা খোঙলৈবাক তাদ্রিঙৈদা পৃথ্বিমাতা খুরম্মী । পৃথিবীবু লাইবক কৎলি অদুগা জৈই মা মাধব মাধব" হায়দুনা পৃথিবীদা খোঙ থাই। মীনকেতন নুমিৎ খুরম্মী। নুমিৎ খুরুম্মগা মহাক চীঙ্খৈ লৈমা খুরমজৈ। মীনকেতননা পৃথিবীবু মমা ওইনা অমদি অতিয়াবু পম্বৌ ওইনা নীংই। মসি বেদগী মীংয়েংনি। মহাক্না ঈরুজরমদাইদা কোক্তা থাউ তৈ । বৈষ্ণব ধর্মগী মিৎয়েংদা ঈরুজরগা থাউ তৈবদি ঈরুজদ্রিঙৈদা তৈগদবনি। মীনকেতননা একাদশীদা চরা হেল্লি। একাদশী নুমিত্তা মহাক নুংদাংগী চাক নিরামিষ চায়। মরমদি বৈষ্ণব ধর্ম চৎপনা একাদশী আমিষ চাবা হৌনদে। মীনকেতনগী ফিজেৎ লৈতেংদি য়ান্না চম্মি। লুনাল্লি চীং লেম্মী। অদুগা মহাক্না থবক থৌরম পাঙথোকপা খুদিংমক্তা ইমা- লৈমরেল, ইপা গুরু লাইনিংথৌ- অনীগী ঙাংলৌ সানা খুয়া থম্বালদা হঙ্গৎপি, থৌজান থৌনিজৈ। গুরু অনীগী য়াথং লুদা থোংনা মখোয়গী থৌগল পাঙথোকচবা চৎলিবনি হায়না নীংশিংবী। মথংদা লোয়নবা গুরু মিরেন খুরমবি থৌগল পাঙথোকচবা মাঙজিল থানা লমজিংবিনবা থৌনিজৈ। মহাক্কী ফিজেৎ লৈতেং ঙন্নমক লাইদা কৎপি মথংদা ফিমন খুনবি। চিঙ্গাক পুন্নমকসু লাইদা

কৎপি। য়েৎ থংবা মাইগৈদা মথেল ঙন্নমক ইমাদা অমুক কৎপি। মথংদা লুকমন খুনবি। “লৈসিরেন লৈরেনহনবী” ইমানা চাথোক- পোখোক পিবিবনি। কৌরৌ মালেম অনীগী মতিক ময়াইনি। নখোয়গী লুকমন ফংজরগা পাঙ্গল, পুন্সি শারেপ ফাজগে। থৌদাং মপুং ফানা পাঙথোকহনবিয়ু হায়না নিজে, আরোইবদা চাক য়েনসাং খরা তিন, কাঙ, উচেক ৰায়াগী শরুক খরা খায়দোক্তুনা লেমহনবি। মীনকেতননা করিগুম্বা মতমদা যুম থাদোক্তুনা মপানদা চথোকপা মতমদা মাঙ্গোল ফমেন্দা লোয়নগদৌবা পোৎলম ঙন্নমক ফক অমদা থম্মী। ইমুংদা লাইনিংথৌ লৈমরেন অমসুং লোয়নবা গুরু খুরমদুনা থোরক্লগা ফমেন্দা থারিবা ফক অদুদা ঙাইহাক ফম্মী। সঙ্গোম, অথুম অহাউ লাইদা কৎলগা প্রসাদ অদু ফংলগা খোঙশাল্লি। ৰাখন্দা হৌগৎলকপদা কাওরেন ঙাংবা ওনশিন্দুনা লৈ হায়না খনগনি। খোঙশানবগী মতাংদা ইপা ঙাংবা কাঙরেনদা নিংশিংজগনি, থৌনিজগনি। ইমা ঙাংবগী য়েৎকী চিদা সনাগী লোংখুম অমসুং ওইগী চিদা লুপাগী লোংখুম উপ্পা লৈবগী ৰাখল খনগনি। ইপা ঙাংবনা মচাগী য়াইফনবা মাঙ থানা লমজিংবিরি হায়না খনগনি। মথংদা লোয়নবা গুরুগী থৌগলদা ঐনা তুংইনজরি হায়না শ্বর চিংশিন্দুনা খোঙ শানগনি। মীনকেতনদি শজিবুদা যুমলাই-লাইনিংথৌ, সনামহী ইমা লৈমরেনগী থৌগল কায়দনা পাঙথোকই। দূর্গপূজা অমদি হিয়াং থাং লাইরেম্বী খুরম্বগা লোয়ননা শ্রীশ্রী চণ্ডী থীদুনা ইমাদা কৎলি। “ লৈমরেন নওয়োম” লৈমরেন মিংখৈসু ইমাদা থিদুনা কৎপি। নুমিদাংৰায় মৈ কৎলবা মতুংদা লাইখুরুম্বা হৌই। নুমিদাংদি অপনবা অকায়বা লৈতনা লাই নীংই। লাইখুরুম্বা, চারা মতুংদা ঙাইহাক লৈরগা অহিং চেপ্পী। চেপ্পা মতমদা থৌনিজে “ ঙসি নুমিৎ চুপ্পা ইমা, ইপা ইবুংঙোগী থৌগল ফংহনবিরে। পাংদবনা মপুংফাদবা ঙমহৌদা কয়া লৈহৌই। মথংগী নুমিত্তা মপুং ফানা থৌগল ফংহনবিয়ু” ৰাখলনা গুরুনা থৌজালবিরে খনগনি হায়না পউদম্বি। ফমুং যুম, ইম্খোল, অকোয়বা চীঙ্খেদগী হৌরগা নোংচুপতা কৌক্র লাইজি, খাপাংনা

মোইরাং লাইজি , নোংপোক পাংলা মৈরম অরোইবদা অৰাং পাংনা কোন্দুনা চীঙ্খোদা মমৈ মকোক চীক্লদুনা গুরুগী পাফলনুংদা মখাদা য়াতবিরনি হায়না খনগনি। লোয়না লোয়ননা মচা মনাইশিংবু হীরে কোনবি, মৃত্যুনজয়মিংখৈ শোনবি। অসুন্না গুরুগী অসুপ্পা মিংখৈ শোঞ্জদুনা মথংনুমিৎ ঙন্না কোম্হোকপিদুনা শিম্থা পাঙথোকহনবিনবা থৌনিজৈ। লোয়ননা অহীং চেপ্লী। অসুন্না মহাক্কী নিতিগী পুন্সিগী ইচম চম্বা মশক লাইনিং লাইশোনদা থৰাই য়াওনা, বৈষ্ণব অমনা চৎচবা লমচন্তবু ঙাক্তুনা চৎচবা অসিতসু নওনা মীগী অৰা অনাদা ৰাজবা তেংবাংবিবা মীশক অমসুনি। মহাক্কী মফমদা হায়জচঙজরবদা পেনদবা ৰাফম কয়া লৈরবসু কাউথোকপি, ঙাকপি লুনা চান্না তৌবি। পরম পরিং শোয়রবদা ফজনা ভাব তানবা খুদোম্বী থীনদুনা তাকপীবিবত নওনা মহাক মচা মনাইশিংগী চাওখৎপা, খনবিবা থৌনিবিবা মীওই অমনি। মীনকেতননা মণিপুরদা হিন্দুধর্মগী লোনচৎ লাইনীং থাদোক্লদুনা মীতৈ লাইনীংগী শকলোন কয়া নৌহৌননা চঙশিন্নরকপসিনা মী, লোলচৎ, লাইনীং অমসুং লাইবু হুলান্নদুনা চত্থনরক্লিবা মওং অসিগী মতাংদা অসুন্না হায়খি -

> ঐখোয় মীওইবনা তোঙান তোঙানব মীংফম কয়াদা ঈশ্বরবু মিংখৈ মিংথোন্নদুনা নীংনা শোন্নবদি কায়দে। অদুবু অমবু হুলান্নবদি মা মানা শোনজরিবা লাইবু হুলাঞ্জবনি।মীংখৈ শকলোন য়াম্বা ঈশ্বরনি। ঐখোয় খঙনরিবসিদি মাইগৈ কয়াগী শরুক অমওনি । উদা খঙদবনা মপুংনি। থৌজাল ফঙলরিবসিনা লোইবা নত্তে। মা মানা নীংজাশোঞ্জবা তুংইন্না থৌজালবিবতনি। ঐখোয় ঙন্নমক ঈশ্বরগী মচা ঙাক্তনি ।ইমা ইপা শক্লবা ঈশ্বরবু নীংনা শোন্নবদা মুক্লরবদা মাংজবদি ঐখোয়তনি।[৯]

---

৯. প্রোঃ নোংমাইথেম তোম্বী, লোংজম জয়চন্দ্র (সম্পাদক) কবি অশাংবম মীনকেতন সিংহ ১০০শুবা মপোক কুমও ন্দা বচ্চবা খুদোল , ইম্ফাল ,২০০৮, লা . ৩০৫

## ১.৩. মণিপুরী সাহিত্যদা মীনকেতন

কবি অশংবম মীনকেতন (১৯০৬ - ১৯৯৫) কুনশুবা চহীচাগী লোইরমদাই ফাওবা মণিপুরী সাহিত্যগী অঙানবা থৱানমিচাক ওইনা লৈরম্বা লময়ানবনি ,কবিনি, অনুবাদক অমসুং সমালোচকনি। কবি অসিনা মণিপুরী সাহিত্যগী মখল মথেলগী শক্লোনশিংদা খোর্জে পায়দুনা মশাগী তোপ তোপ্পা শৈলী (style) অমগা লোয়ননা খুৎথারম্মী। মণিপুরী সাহিত্যদা শৈরেং , ৱারেং, ড্রামা, অনুবাদ, সমালোচনা, পুন্সিৱারী,ব্যাকরণ অসিনচিংবা সাহিত্যগী মচল কয়দা খুদোল তমবিরম্মী। অশৈবা অসিগী সাহিত্যগী খুদোলশিং অসি নওবা মহাক্কী তোপ তোপ্পা মীৎয়েং অমনা মণিপুরী চীনবুং সাহিত্য (Folk literature) গী শক্লোনশিংবু , য়োখৎপা পামজবা অসিত নত্তনা সাহিত্যদা চীনবুং সাহিত্যগী মচলশিংবু য়ান্না হৈশিংনা হাপচিন্দুনা ইরম্বা অসিনি। মীনকেতনগী অয়াম্বা লইরিকশিংদা চীনবুং সাহিত্যগী মচলশিং অমসুং শৈলীনচিংবা হৈশিংনা শিজিন্নবগী মমি তাই । মহাক অসি সংস্কৃতাইজ অমসুং ননসংস্কৃতাইজগী মচলশিং পুনশিন্নদুনা ইনৌ নৌবা মশক শেমবা ঙমবা মীশক অমনি। অমরোমদা মণিপুরী ফুরুপকী য়েলহৌঙৈদগী লৈজরকপা মচাক মরলশিং অমদি মণিপুরী ফুরুপকা তোৎন তিনদুনা লৈমিনরকপা অতৈ ফুরুপকী য়েলহৌঙৈগী মচাক মরলশিংবু থিজিন হুমজিনদুনা থমবা পামজবা মীশকশিংগী মনুংদা মহাকসু অমনি। মাইগৈশোমদা য়েংলুরবদি মণিপুরীগী অরিবা পোৎশক পোৎলম নৈনবা এন্টিকোয়্যারিয়ান (Antiquarian) অমা ওইনা মীনকেতনবু মশক তাকপদা থোইদোকনা অরানবা ওইরোই। কবি অসিনা মণিপুরী সাহিত্যদা তমবিরমবা খুদোলশিংদি -

১.৩.১. **শৈরেং** -

| **লাইরিক্কী মমিং** | **অফোঙবা চহী** |
|---|---|
| (ক) বসন্ত শৈরেং | ১৯৩৬ |
| (খ) য়াচঙ শৈরোল খম্মিন তেংথা | ১৯৯৫ |
| (গ) অশৈবগী নিতাইপোদ | ১৯৭৬ |
| (ঘ) অশৈবগী শৈরোই | ১৯৭৭ |
| (ঙ) অশৈবগী জয়ভাই | ১৯৭৮ |
| (চ) বিদায় আশীর্ব্বাদ | ১৯৭৯ |
| (ছ) সনরিক পরেং | ১৯৮১ |

১.৩.২. **ৱারেং** -

| **লাইরিক্কী মমিং** | **অফোঙবা চহী** |
|---|---|
| (ক) ঙাঙ্গোয় পরেং | ১৯৫২ |
| (খ) ভারত চনু | ১৯৫২ |
| (গ) রামায়নগী ৱারীখরা | ১৯৫১ |
| (ঘ) মৈতৈ লাঈরোল | ১৯৫১ |
| (ঙ) ভারতকী লোনশিংগী মরক্তা মণিপুরী লোনগী মফম | ১৯৫৪ |
| (চ) মৈতৈ লোঞ্জল (গ্রামার) | ১৯৫১ |

| | |
|---|---|
| (ছ) পুন্সিগী শক্তম (লারোন অমা) | ১৯৮০ |
| (জ) পুন্সিগী শক্তম (লারোন অনী) | ১৯৮২ |
| (ঝ) শ্রী কৃষ্ণ চৈতন্য দেব | ১৯৮৬ |

১.৩.৩ **অনুবাদ** -

| **লাইরিক্কী মমিং** | **অফোঙবা চহী** |
|---|---|
| (ক) মেঘনাদ বধ কাব্য | ১৯৬৪ |
| (মাইকেল মধুসুদন দত্ত) | |
| (খ) গীতাঞ্জলি (রবীন্দ্রনাথ ঠাকুর) | ১৯৬৪ |
| (গ) ডি রেপ ওফ লুৎক্রেসি | |
| (সেকসপিয়ার) | ১৯৬৫ |

১.৩.৪ **দ্রামা** -

| **লাইরিক্কী মমিং** | **অফোঙবা চহী** |
|---|---|
| (ক) সীতা বনবাস | ১৯৩৬ |
| (খ) তোনুলাইজিং লেম্বী | ১৯৪৯ |

১.৩.৫ **সমালোচনা** -

**লাইরিক্কী মমিং** **অফোঙবা চহী**

(ক) মৈতৈ উপন্যাস ১৯৫০

মথক্তা পল্লিবা, মীনকেতননা মণিপুরী সাহিত্যদা খুদোল তৌবিরমবা ফোঙলম্বা লাইরিকশিং অসি মুন্না নৈনরবা মতুংদা মহাক অসি মশক নাইরবা অশৈবা অমনি হায়বসি ময়েকশেংনা খঙবা ঙমই। কবি মীনকেতন য়াম্না রোমান্টিক ওইবা নুংশিবগী কবি অমা ওইবতা নত্তনা মাঙোন্দা হিউমেনিজমগী অৰাংবা ৰাখলসু য়াওরি। মহাক্কী শৈরেংশিংদা রোমান্টিক অমসুং হিউমেনিজমগী মশক অসি য়াম্না মরাং কায়না উবা ফংই। মীনকেতন মাগী শৈরেং লাইরিকশিংদা মরুওইনা এলেজি মখলগী শৈরেং, মরৈবাক নুংশিবা ফোঙদোক্কুনা ইবা শৈরেং, নোংদোল থক্কী মঙালবু কৌথদুনা মালেমসিদা খোঙদাবিরক্লবা য়াকৈ পরেংগী শৈরেংশিং, পাউতাকপীদুনা তুংগী মীরোলদা লমজিং ওইবা য়াবা শৈরেংশিং, নুপী ওইবীগী মরমদা ইবা শৈরেং শিং ,নুপী নুপাগী নুংশি নুংঙোলগী ৰারী লীবা শৈরেংশিং অসিনচিংবদা কবিনা খুৎ থাই । ৰারেং সাহিত্যদসু মীনকেতনগী তোপ তোপ্পা ফজবা শৈলী অমা লৈজে। মহাক্কী ৰারেং সাহিত্য অসি মণিপুরী সাহিত্যদা তোঙান্না তাদুনা লৈ। মরমদি মহাক ৰারেং ফজনা ইবা হৈজে। শৈরেংগী শৈহেক শৈদা য়াওনা ইবা মহাক্কী ৰারেংগী খুৎইনা ঙসি ফাওবদা মশাগী ৰারেং সাহিত্যগী মশক অমা আধুনিক মণিপুরী সাহিত্যদা অচৌবা মফম অমা কন্দুনা থম্বা ঙম্মী। মহাক্কী ৰারেং সাহিত্যসিগী মশকসি ৰারী নাইবা ৰারেং, পুন্সিৰারী, অচোইবা ৰারেং, হায়না খায়দোক্লগা নৈনবা য়াই। মহাক্কী ৰারী নাইবা ৰারেং শিংগী মরক্তা " ঙাঙ্গোয় পরেং" লাইরিক অসি মৈতৈগী সভ্যতা, কলা, কৃষ্টি ইথোজ তাকপা সাহিত্যগী পূক্কৈ অমা শাগৎপগা লোয়ননা মৈতৈলোন অশেংবা, অৰাংবা থাক্কী ফজরবা লোলগী পূক্কৈ অমা

শাগৎলম্মী। ৱারেং সাহিত্যগী মনুংদা মীনকেতননা মশানা ইজবা পুন্সিৱারী পুন্সিগীশক্তম, লারোন অমা, লারোন অনী অসিসু থোইদোক্লা শীংথানবা য়াই। মরমদি খুৎমাবা অইবশিংনা মশাগী ওইবা পুন্সিৱারী কয়া ইরমদে। লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহন্না মশাগী পুন্সিৱারী জীবন চরিত ইরম্মী, অদুবু সাহিত্যগী ওইবা মহাও কয়া হাপ্পা ঙমদবা খুৎই ওইনা তৌই। মীনকেতনদি মহাক্কী ও টোবাইওগ্রাফি অসিদা শৈরেংগী মহাউগা কোননা, মশাগী পুন্সিগী মরমদা ইবগা লোয়ননা মণিপুরী ইতিহাস অমসুং সংস্কৃতিগী কান্নরবা হীরম কয়াদসু ইরি। মণিপুরী কলচরেল হিষ্টিরীগী কান্নরবা মচাক কয়া য়াওরি। অনীশুবা লাঞ্জাউ মমাঙগী মণিপুরী পুন্সি অমসুং সমাজগী মশকসু ময়েক শেংনা উৎপা ঙম্মী। মহাক্কী লাইরিক অসিদা পুন্সিৱারী ইবগী অশোয়বা খর লৈরবসু ৱারেংগী ফজবা উৎপা ঙম্বা লাইরিক অমনি হায়বা য়াই। মীনকেতনগী লোনগী শীজিন্নবা হৈবা, লোনশেমগী ফজবা মহাউ অসি মাগী অনুবাদকী লাইরিকশিং- গীতাঞ্জলি, ল্যুক্রেসি ফল্লানবা ,মেঘনাদ বধ কাব্যনচিংবদসু নীংথিজনা উবা ফংই। মহাক্কী তোনু লাইজিংলেম্বী দ্রামা অসিসু মহাক্লা মপূক্লিংদা মৈতৈলোন অশেংবনা লাইরিক অমা ইগে হায়না লেপখিবা অদুনোংদগী মীনকেতননা মাগী ত্রেনুলাইজিংলেম্বী লিরিকেল প্লে অসি ইখিবনি। মহাক অসি মীৎয়েং থৌরবা সমালোচক অমা ওইনসু মণিপুরী সাহিত্যদা মাগী অচৌবা মফম কন্দুনা লৈ। মীনকেতন মণিপুরী সাহিত্য সমালোচনাগী লমদা ইহান হান্না খোঙদারকখিবা সমালোচক অমনি। মহাক্লা ১৯৫০দা মৈতৈ উপন্যাস কৌবা মণিপুরীগী ইহান হানবা সমালোচনাগী লাইরিক অসি ইদুনা মনিপুরী সাহিত্যদা খুদোল তৌরকখি। মীনকেতননা মীতৈগী অরিবা ইতিহাস, সংস্কৃতি, লেজন্দ, মিথোলোজিনচিংবগী মরমদা নৈনরম্মী অমসুং মসিগী মরমদা ৱারেং কয়াসু ইরম্মী। মহাক মীতৈগী লাইনিং, সাধনা, কৃষ্টি অসিনা অপূনবা ভারতকী পরম্পরাগী মনুংদা লৈবা অদুগা করিগুম্বা হীরম অমত্তদসু নোপত্রবা অৱাংবা থাক্কিনি হায়বসি তত্তনা উৎনবা হোৎনরম্বা পণ্ডিত অমনি হায়না হায়বা য়াই।

## ১.৪. হীরম অসি নৈনবগী পান্দম -

থিসিস অসিগী লৌখৎচরিবা হীরমদি " অশাংবম মীনকেতনগী খুৎই অমসুং খুৎফোঙদোকতা ফোক নেরেটিভগী মচলশিং" হায়বসিনি । মোদর্ন মণিপুরী সাহিত্যদা মণিপুরী ফোক লিটরেচরগী শকলোনশিংগা মরীলৈননা পুথোরকখিবা সাহিত্যগী মচল কয়ামরোম লৈরি। ফোক লিটরেচরনা ফুরুপ অমগী সাহিত্যগী শকতম শেমগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। অশাংবম মীনকেতন মোর্দন মণিপুরী সাহিত্যগী খুৎমাবশিংগী মরক্তগি মণিপুরী ফোক লিটরেচরগী পুকৈদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা সাহিত্যগী শকলোন কয়ামরোম খুদোল তমলকপা অইবা অমনি ।অশাংবম মীনকেতন মণিপুরী ফোক লিটরেচরগী মচলশিং অসিতা নওনা সংস্কৃতাইজ ওইবা সাহিত্যগী মচলশিংবু মশাগী ওইবা স্টাইলদা শেমশাদুনা মণিপুরী সাহিত্যগী অখন্নবা শকলোন অমা খুদোল তমলমবা মীশক অমসুনি । মণিপুরী ফোক লিটরেচরগী শকলোনশিংবু অশাংবম মীনকেতননা কাব্য , ড্রামা , ৱারেংনচিংবা ইথোরকতুনা মোর্দন মণিপুরী সাহিত্যগী অখন্নবা শকলোন অমা ওইনা শেমলমই। মহাক্কী লোন্দা পুদাদা অরি অনৌ অমদি মশানা শেমজবা লোনশেম শীজিন্নদুনা মশানা মশাবু মশক তাকচৈ। শন্না হায়রবদা মোর্দন মণিপুরী লিটরেচরদা সাহিত্যগী শকলোন কয়াদা খুৎথারম্বা মীশক অমা ওইবতা নওনা মতমসিগী সাহিত্যবু য়োখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা মীশক অমসুনি। মীনকেতন মায়থোং য়ামবা তোঙান তোঙানবা শকলোনপুবা মীশকনি। মণিপুরী সাহিত্যদা মীনকেতনগী অবদান চাউনা লৈ। অসিগুম্বলবা সাহিত্যগী অখন্নবা মীশক অসিগী মরমদা নৈননবগীদমক চীনবুং ৱারীগা মরীলৈনবা অইবনা শেমলমবা মশাগী খুৎশেমগী ওইবা সাহিত্যশিং নৈননবগী দমক লৌখৎলি। মসিগী পান্দমদি অশাংবম মীনকেতনবু মমুৎতানা

ময়েকশেংনা খঙননবা হোৎনবনি । নৈনরিবা অসিনা মীনকেতনবু মণিপুরী মোর্দন লিটরেচরদা ফোক লিটরেচরগী খুদোল করিনো হায়বদু মীনকেতন নৈনবনা খঙবা ঙমগনি । মণিপুরী সাহিত্যদা মহাক্কী অখন্নবা কাব্যগী শকলোনশিংদা খণ্ডকাব্যশিংনা মণিপুরীদা সংস্কৃতাইজ অমসুং ননসংস্কৃতাইজ ওইবা মচলশিং কয়া পুশিন্নবদগী ওইরকপা অনৌবা খুৎইগী মশক খঙবা ঙমনবা হোৎনবনি । মহাক্কী ৱারেংশিংদা মণিপুরীগী য়েলহৌঙৈদগী লৈরকপা ফুরুপকী ওইবা অশেংবা মশক লমমীৎ , তুমিৎ, লাইশোন তিনশোন থাজনবীনচিংবা মচলশিংবু মোর্দন মণিপুরী সমাজদা খঙবা ঙমহল্লি হায়বদু বৈজ্ঞানিক ওইবা মত্তংদা নৈনদুনা তাকনবা হোৎনবনি। শন্না হায়রবদা মীনকেতন নৈনবনা ফোক লিটরেচর অমসুং লিটরেচর অনীগী লৈনবা মরীদু খঙবা ঙমহল্লি।

## ১.৫. হীরম অসিনা কোল্লিবা পনখ্ৱৈ -

থিসিস অসিদা মরু ওইনা নৈননবা মচাকতি মীনকেতনগী খুৎই অমসুং খুৎফোঙদোকতা মণিপুরী ফোক নেরেটিভগী মচাক মরমলশিং করম হায়না য়াওশিন্দুনা লৈবগে হায়বসি নিয়ম নাইবা মত্তংদা নৈনবা অসিনি । মসিদা মহাক্কী সংস্কৃতাইজ অমসুং নন সংস্কৃতাইজ ওইবা খুৎইগী শকলোন অদুতা লৌখৎলগা নিয়ম নাইবা ওইবা মত্তংদা নৈনবনি। নৈনবা অসিদা হেন্না মরীক চুন্নবগীদমক ফোক নেরেটিভগী সংজ্ঞা, কয়াৎ অমদি মখল খায়দোকতুনা নৈনরি। মসিগীসু মথক্তা মালেমগী মমিং চৎলবা ফোকলোরিষ্ট ষ্টিথ থোমসনগী **মোতিফ ইনদেকস ওফ ফোক লিটরেচরগী** মতুং ইন্না মোতিফকী মরমদা নৈনরি। মসিনা মীনকেতনগী মরী লৈনবা সাহিত্যগী শকলোনশিংদা ফোক মোতিফশিং অসি মতৌ করন্না শিজিন্নবগে হায়বদু ময়েকশেংনা নৈনদুনা তাকপদা খুদোংচানবগী দমকতনি। মীনকেতননা

সাহিত্যগী শকলোন অয়াম্বদা খুৎ থারম্মী । মীনকেতনগী সাহিত্যগী শকলোন খুদিংমক থিসিস অসিগী ওইনা নৈনবগী মনুং চনদে । নৈননবগী দমকতা লৌখৎলিবা মচাকশিংদি মণিপুরী ফোক নেরেটিভগা মরীলৈনবা সাহিত্যগী শকলোনশিং অদুতনি । নেরেটিভগী মশক মতুং অসি নৈনবদা পেতর ব্রুক্স (peter Brooks)নচিংবা নেরেটোলোজিসশিংগী মীৎয়েং থিসিস অসিদা নৈননবগী মেথোদ ওইনা শীজিন্নে। অসিতসু নওনা ফোকলোরিষ্ট সি. এস. বর্ন (C.S. Burne) নচিংবনা খায়দোকল্লমবা নেরেটিভগী মখল খায়দোকপগী মওংদু থিসিস অসিদা নৈনবগী মেথোদ ওইনা শীজিন্নে। অসিগুম্বা নৈনবসিদা মীনকেতনগী খুৎইদা মণিপুরী ফোক নেরেটিভগী মচল য়াওবা সাহিত্যগী শকলোনশিং অদুতম্বু কোনশিল্লি।

## ১.৬. নৈনবদা শীজিন্নরিবা পাম্বে -

ফোক নেরেটিভ হায়বা অসি ভার্বেল আর্ট ওইনা লৈবা সাহিত্যগী শকলোন অমনি। অয়াম্বা মতমদা ফুরুপ অমগী খুনাইগী পুন্সিগা য়াওল য়াতাদুনা লৈ । মণিপুরী ফোক নেরেটিভগী মচলশিং অসি থিসিস অসিগী নৈনবগী মরু ওইবা মচল অমা ওইবনা মণিপুরী ফোকলোরগী ফিল্ডদগী মচাকশিং অসি খোমজিল্লি। মণিপুরী ফোক নেরেটিভগী মরীলৈনবা ইনফোরমেন্টশিংদগী ইন্টারভিউ, ওবজারবেসন মেথোদনচিংবা শিজিন্নদুনা ফিল্ডদগী প্রাইমারী ডেটাশিং অসি খোমজিল্লি। মণিপুরী ফোক নেরেটিভগী খোমজিনন্দুনা ফোঙলবা লাইরিকশিংবু সেকেণ্ডরী সোর্স ডেটা ওইনা শীজিন্নে। শম্না হায়রবদা থিসিস অসিগী প্রাইমারী, সেকেণ্ডরী ডেটাশিং অসি বৈজ্ঞানিক ওইবা মতুংদা মচাকশিং অসি নিয়ম নাইনা খোমজিল্লি। পায়খৎচরিবা থিসিস অসি নৈনবদা ফিল্ডদগী মচাক খোম্বত্ত নওনা ফোক নেরেটিভগী মচাক য়াওবা ঙসি ফাওবদা ফোঙলবা লাইরিক, মেগাজিন, খুৎই লাইরিকশিং

অমদি ফোঙদ্রিবা পি . ঐচ. ডি থিসিস কয়াদগীসু মতেং লৌই । মসিগী মতাংদা তোঙান তোঙবা লাইব্রেরী কয়াদগী মতেং লৌদবসু নত্তে। মরু ওইনা মমিং খরা পঞ্জরবদা আসাম য়ুনিভরসিটিগী লাইব্রেরী, মণিপুর য়ুনিভরসিটিগী লাইব্রেরীনচিংবনি। হীরম অসিগী মচাকশিং নৈননবা হোৎনবদা ফোকলোর নৈনরোলগী ওইবা থিওরীশিং নিয়ম নাইনা শীজিন্নে । হৌজিক্কী মতমগী ময়াম্না য়ানরিবা ফোক নেরেটিভ নৈনবগী পাম্বৈশিং অসি ফোকলোরিষ্ট অয়াম্বনা শীজিন্নরিবা অমদি নোংচুপলোমদগী হৌরকখিবা ওইবনা থিসিস অসিগী মচাকশিং নৈনবগী মতাংদসু নোংচুপলোমগী নৈনরোলশিং শীজিন্নদবা য়াদবনা ম তাং মতাংগী চান্নবগী মতুং ইন্না য়ারিবমখৈ শীজিন্ননবা হোৎনৈ।